# “কৈদৌঙৈ অৱাবা কোক্কনি”

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**



নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা থোকহল্লকপা লানগী ৱারোইশিন ঙসিসু পুরকপা লৈত্রি। লোইশিনবা লৈত্রিবা লানসি অসুম চথদুনা চহী অনী মপূং ফাখিবসু খঙহৌররোই। অসুক শাংলবা মতমসিদা কুকি টেররিষ্টশিংনা ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপীখ্রবা, মরল মথুম মুনবীখ্রবা মীতৈ মীচম মীয়াম্না মশাগী ময়ূম লমদমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা ৱানা মঙদা ফাওবা মঙলুদবা পূন্সি মহিং অমদা হিংলক্লি। মীতৈ ৱাহৈদা ‘ইনাকখুনবা তরানা লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে’ হায়নরিবনি। নুংশিবীবা মীয়াম অমসুং লৈরিবা লৈঙাক্না তেংবাঙবীবনা অৱাৎপা পূন্বা নৎত্রবসু তঞ্জাই য়ৌনা কোকহনবা ঙম্বা নত্তে। অদুননি য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো হায়দুনা লাঞ্জেন্নরিবা অৱা চৈথেং ফংলবশিংনা লাউদুনতা লাক্লিবসি। অদুবু হায়রিবসিদা ষ্টেট লৈঙাক্না মতম ৱাৎলি হায়দুনা লৈরি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্নসু মসিগী মতাংদা চপ চাবা অকনবা থৌরম অমত্তা লৌখৎত্রি। করি অরোনবা এজেন্দা লৈবনো, করিগীদমক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মপান লৈবাক্কী খূৎ য়াওই খঙলবসু খঙশিন-উশিন্নদনা কুকি মিলিটেন্ট খরসিবু হূই অঙাওবগুম থাদোক্তুনা থল্লিবনো হায়বসিনা মীয়ামগী ৱাহং ওইদুনা লৈরি। কুকি টেররিষ্ট খরসিনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবদা ষ্টেট লৈঙাক্না মতিং থোক্লা থবক পায়খৎতবা অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী য়াকা য়েংদুনা লৈবসিনা জঙ্গলদা ময়াই কারবা শামু লমশা হায়বদু মখোয়না ওইরে।

মণিপুর অসি মশাদি ইখঙ খঙজদনা অচৌবা লানফম অমা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা ওইখি। মণিপুরী মীয়াম খরনা ইংরেজ সাহেবশিংনা জপানিজশিংনা লান্দারকপদা অমাঙ অতা থোকহনগদবদগী কনবীগনি, ঙাকপী শেনবীগনি খনখি। খরনা জপানিজশিং অসিনা ইংরেজ সাহেবশিং অসিবু মরিপুরগী লৈমাইসিদগী তাম্থোকপীখিদুনা নীংতম্বা মণিপুর অমা ওইহনগনি খনখি। ইম্ফাল অকনবা লানফম ওইখি, খুন্তাক লানশিখি। জপানিজশিংগী বোম হৈথফম ওইখি। ঙসি ফাওবদা মখোয়না থাদখিবা পোকখায়হৌদবা বোমশিং ফংবা লেপ্তুরি। হৌখিবা মতম অদুগুম্না মশাদি ইখঙ খঙজদনা লাক্লিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মরু ওইনা হোংলক্লিবা জিও-পোলিটিক্সকী শকফম অসিদা মণিপুরসু অচৌবা চৈথেং ফংলবরা হায়বগী ৱাহংসু লাক্লি। য়ুনিয়ন ওফ সোভিএট সোশলিষ্ট রিপব্লিকনা কুমজা ১৯৯১দা কাইখ্রবা তুংদা মালেমসিদা কোল্ড ৱার লোইশিনখ্রে অদুনা ন্যুক্লিয়র ৱার অমগী তমথীবা লৈররোই হায়দুনা নুংশা শ্বর চনিং তানা হোন্নখি। অদুবু তপ্না-তপ্না মালেমসিদা সুপর পৱারগী লমজেলদা য়ু এস এ অমসুং চাইনা অনীগী মরক্তা কন্না তান্নখৎলক্তুনা মালেমসি অনৌবা য়েংথীনবগী থিয়েটরগী ফম্বাক অমা ওইনা শেমগৎলক্লি। মরকসিদা য়ু এস এস আরগা অচেৎপা মরী থম্নবা ইন্দিয়ানা রুসিয়াগা মরী শমথনরক্লবসু য়ু এস এগা অফবা মরী থম্নবা তারকই। ইন্দিয়াদি হান্নসু খূৎ থোক্লখ্রবা চাইনাগী য়েক্লবা অমা ওইদুনা লৈরবনিনা চাইনাগা লম্ খুদিংদা মাঙজিল থাবা তান্নরিবা অমসুং থরুম লৈনরিবা য়ু এস এগা মপাং ওইবা হায়বসিদি মহৌশানি। অমরোমদা ইন্দিয়াসি য়েক্লবা ময়াম্না কোয়শিল্লগা মরুপ লৈজদ্রবা লৈবাক অমা হায়বদু ওইরে। য়াম্না চান্নজবা য়ূমলোন্নবা ওইরম্বা ‘বঙ্গ-বন্ধুগী লৈবাক” বাংলাদেশ ফাওবা লৈঙাক সাসন মীয়ামগী ঈহৌনা মুথুৎখিদুনা এন্টি ইন্দিয়াগী লৈবাক ওইখ্রে। য়ূমথংনরিবা বাংলাদেশ-চাইনাগী অফবা মরী থমদুনা ইন্দিয়াগী মেনলেন্দ শরুকশিংগা নোর্থ ইষ্টকা শম্নফম ওইরিবা সিলিগুরি কোরিদোর কিলোমিটর ৬০ খক্তং শাংবা পাকপনা কুন্নিথোই খক্তং পাকপসি থদৎনীংবা মতমদা থদৎখিবা য়াবগী অকিবসু ইন্দিয়াদা লৈরি। ইন্দিয়াগা য়ূমথংনরিবা ম্যান্মারদা এঠনিক গ্রুপ য়াম্বনা মখোয়না বৃটিশ সাসন্দগী কুমজা ১৯৪৮দা নীংতম্বা ফংখিবদগী ঙসি ঙসিমক ফাওবা তংদু লৈতাবা লৈঙাক লৈতনা লাক্লি। মীয়াম্না খঞ্জবা মীয়ামগী মীহুৎনা সাসন তৌবা লৈঙাক কুইনা চৎপা ঙমদে। হৌজিক সাসন তৌরিবা মিলিটরি হুন্টাগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা এঠনিক রিবেলশিংনা অকনবা লালহৌ চথুরি। মরকসিদা দেমোক্রেসি কন্ননবগী মিংদা য়ু এস এনা তোঙান তোঙানবা ম্যান্মারগী লালহৌবশিংদা লানগী খূৎলায়শিং মতেং পাংশিল্লি। চাইনানসু অদুমঙাই মিলিটরি হুন্টাদসু মতেং পাংশিল্লি লালহৌবশিংদসু মতেং পাংশিল্লি। ম্যান্মারদগী কান্নবা লৌনবা রুসিয়াসু লমজেলসিদা য়াওশিল্লকই। অদুগা ইন্দিয়াগীসু কলাদান মল্টি মোদেল প্রোজেক্ট মায় পাক্লবা ম্যান্মারগা অফবা মরী থম্বনি। লাইবক থীরিবদি ম্যান্মার মনুংগী ঈরাংনা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদবসিনি।

পঞ্জখ্রিবশিংসিনা চাউরাকপা জিও-পোলিটিকেল শক্তমনি। ইন্দিয়াসু মিলিটরি হুন্টাদসু মতেং পাংশিল্লি। রিবেল কাঙবুশিংদসু মতেং পাংশিল্লি। তংদু লৈতাদবা লৈবাক অমগী চরাংনবা, মদুদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ময়াম অমনা মাগী-মাগী ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা থবক তৌরকপা অমসুং মদুনা য়ূমথংনরিবা মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা তংদু লৈতাদবা থোকহনবগী শক্তমদুনি ঐখোয়না উরিবসি। পুৱারীগী চেকশিলহৌদবা তাঙ্কক কয়াদা লৈঙাকপশিংনা মশাগী খুদোংচাবনা মাঙ থারগা লাকখিবনা মীতোপশিং আইন কায়না চঙশিল্লকপদা থিংনবা য়েংশিন্নবা চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎতে। ম্যান্মারগা মণিপুরগা তাইনরিবা ঙমখৈগী অশাংবা কিলোমিটর ৩৯৮সিবু অসুক কুইরবা মতমসি ফাওবদা শুপ্নতংদগী কিলোমিটর ১০ ফাওবদংগী শম্বল খাবগী পাউ লৈরি। মদুসু এফ এম আর লৌথোকপা য়ারোই, ঙমখৈ শম্বল খাবা য়ারোই হায়বগী ৱাফম কয়া থোরক্লি। তোঙান তোঙানবা ফূরুপশিংনা লৈঙাক্তা অমদি মখোয়না হায়বা ৱাগী মায়োক্তা লৈবশিংগী মথক্তা অকনবা ৱাফম থম্লক্লি। মরকসিদা নীংশিংবা য়াবদি মালেমদা মখোয়গী এম্পয়রদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরম্লিবা ইংরেজশিংগী মতমদা মখোয়গী লমগী ঙমখৈশিং নীংথিনা শম্বল খাজিল্লম্মী হায়বসিনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ঐখোয় মণিপুরীশিংগী খ্বাইদগী লাইবক থীরিবসি থাইলেন্দ, লাউস অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈগী তাইনফমদা লৈরিবা গোল্ডন ত্রাইঙ্গলগা নক্নরুবসিনি। মদুদগী পুশিল্লকপা ময়াই কাবা ড্রগশিংনা মণিপুর ফাওদুনা লাক্লগা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ৌরিবনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক ড্রগ হায়বসিবু আইন কায়না লল্লোনবা অমসুং লান্না শীজিন্নবগী ফলনি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া অমা লেপকং-লেপকং কংদুনা মাঙশিল্লক্লিবা নহাগী মীরোল কয়া শিখ্রবা মতুংদা নৌরিবী লুখ্রাবী কয়া অমা চৈথেং ফংদুনা লৈহৌরিবা। নাকল অমরোমদা মীওই খুজোক খরনা ময়ূম মকৈ নিংথৌগী কোনুংগুম শাগৎলিবা। অনৌ-অনৌবা চকা মরি পানবা গাড়ী তোংলিবা। মসিনা স্বাইদা মিৎনা উবা খরগী ৱানি।

লোইশিল্লকপদা মতমগী ওল্লক্লিবা পোলিটিক্সকী মায়ওন অমসুং ড্রগকী করবারদা খূৎচাউ থাদুনা গেঙ খূৎপু শেমদুনা করবার চাউনা তৌরিবা ড্রগ কার্টেল কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী মতা ফবা চীংমাইশিংদা পোপী পান্থী পাক শন্না থাদুনা মণিপুরবু অনীশুবা ‘গোল্ডন ত্রাইঙ্গল’ অমা ওইহন্নবগী লম্বী য়াংলকপনি। দবল ইঞ্জিনগী অশোনবা মতৌদা য়ারনি হায়দুনা মণিপুর থুগাইদুনা মখোয়গী হোমলেন্দ শেম্নবা হোৎনরকপনি। ম্যান্মারগী মনুংগী চরাংনবা ময়ামসিনা অমুক খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়গী মান্নবা ফূরুপকী অপূনবা জালেঙমগী মঙলান শাগৎলকপনি। পূম্নমকসিদা দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্না মীতৈ মীচম মীয়াম্বু কন্নবগী খোঙথাং লৌখৎতনা লৈবসি লাইবক থীবনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মপাঙ্গল য়াওদ্রবা ষ্টেট লৈঙাক্তা তেংবাঙবীদুনা ঈরাং লাকশিনগেদি হায়দনা লাই নীংবদা ঙাওদুনা লৈরে। রামগী লাইশঙ শাবদা অমসুং কুম্ভ মেলাদা তৌরিবা চাদিং অঙকপনি। মরকসিদা লাঞ্জদবা ঈং-তপ্না পামজবা মীতৈশিংদি কৈদৌঙৈ অৱাবা কোক্কনি খঙদনা লৈবা তাবনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

---

# মালেমগী ৱাখল ৱাংথোইবশিং - ৭

## ‘শ্রীনীভাস রামানুজান’ (দিসেম্বর ২২,১৮৮৭-এপ্রিল ২৬,১৯২০)

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



অঙ্ক হোৎনবগীদমক মহাক নোংমদা চেবাং ৭০ (হৌজিক্কী এ-ফোর সাইজ) মথৌ তাই। মীগী ফি য়োনবা দুকান য়াওবদা থাগী লুপা ২০/২০ ফংবা মপাগী তোলোপনা চেঙ-চাক, থাও-থুমগী হোৎনবদা মপানা মাগী চে লৈবীবা ঙমদে। মরম অসিনা কৈথেলশিংদা মীয়াম্না শীজিন্নবগী অরেমখাক হুন্দোরকপা চেথী-চেগুম, চেমাই নাম্মা ইরগা নাম্মা হাঙবা, চেনীং লেম্বা মীনা হুন্দোকপশিং চেখাও নৎত্রগা বোরাখাও অমা পায়রগা খুনবা, মদুবু শুমাং নৎত্রগা ইঙ্খোলগী অহাঙবশিংদা শন্দোক্লগা কংহনবা, মদুদা অঙ্ক হোৎপা, তরূ-তনান্না হিংনীংবগী ঈথিল পোক্ত্রবা পূন্সি অদুবু মপানা অঙাওবা ওইনা উখি। মাগী মতৌ খঙদবা মীয়াম্না নঙগী নচাদো ঙাওদুনা সড়ক তারে হায়না উনবা মতমশিংদা পাউদল্লকপদা ইকায়বা, মথ্বাই নুংঙাইতবনা শাজৈ অমা পায়রগা কৈথেলশিংদা শা-ষণ থিবগুম থিদুনা ফুবা, চৈবা, ঙাঙবা, অপোকপীনা অঙাওবগুল্লবা মচাগী হাক্কন্দা মপুরোইবগা লাউনবনা ইমুংদুগী পূন্সিরোলনি। মপানা চথুরিবা ৱারক-ৱাতেম্বগী কাঙলোন অদুনা শ্রীনিভাস রামানুজানগী খাঙবদা ৱারবা তেংথাখোল ওইখি “ঐসে অঙ্কগী উমংদা ঙাওচৎনরীবা শানে।’

কুমজা ১৮৮৭কী দিসেম্বর ২২দা শ্রীনিভাস রামানুজান সাউথ ইন্দিয়াগী টামিল নাদুদা লৈবা ইরোদ লমদমদা লায়রবনা পৎ তৎলবা ইমুং অমদা পোকখি। কুমবকোনামদা লৈবা ফি য়োনবা দুকান অদুদা য়াওবা মপানা মচাবু মফম অদুগী লৈঙাক্কী স্কুল অমদা মশাগী চহী ৫ শুরকপদা মহৈ তম্বা হৌহনখি। কাপুশ্বাগী শ্রীনিভাস ইয়েংগর অমদি কম্মলাতমল অনীগী মচাশিং ঙম্নমক চহী নৌরিঙৈদা তাইবঙ মপূনা লৌশিনবীখি। রামানুজান খক্তদি তেক্ত-কায়দনা নাম্মগীরি লাইশঙদা শৈশকপী (মাইবী) ওইরিবী মমানা নুংতিগী লাই নীংজরিবনি। “ইমাগী রাজা, নঙনা কৈথেলগী অমোৎ-অকায় মরক্তগী চে খুনবসি তোক্লোবা’ মমানা থেমজৈ। মপানা মাবু চৈরম নায়না ফূবীবা উরুরগা কপচবতনা মশিন ওইবী কম্মলাতমলানা থেমদুনা কয়া, চৈদুনা কয়া হোৎনজৈ। হূইগী মমৈবু ৱাচপ থাদুনা চুমথোকপা ঙমদবগুম রামানুজানগী মকোক্তি অঙ্কগী ঈথিলনা চফু মনুংদা চেংনা শৌগৎপগী মতৌ ওইদুনতা লৈরি।

কুমজা ১৮৯৭কী নবেম্বর থাদা মহাক গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি এগজামিনেশন পাস তৌখি। কুমজা ১৯০৩দা মদ্রাজ য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা টাউন হায় স্কুলদগী মেত্রিক পাস তৌখি। জুনিয়র সুব্রামানিয়ম স্কোলরশিপ ফংদুনা কুমবকোনামগী গভর্ণমেন্ট কোলেজদা এফ এদা মিং চনখি। মেথমেটিক্সতা চান্মদা চান্মা ফংলবসু অতৈ সবজেক্টতা পাস তৌদবনা এফ এ পাস তৌবা ঙমখিদে। অঙ্কদা অঙাওবা ওইবনা ক্লাস লানবা ঙমদবা অসিনা মপানা মখা তানা মিং চন্নীংদবা ওইহনখি। লাইরিক তম্বা তোক্লো হায়খি। মীওইবা খুদিংমক হীরম অমা নৎত্রগা হীরম অমদা অঙাওবগী মতৌ লৈ হায়বসি হিংমিন্নরিবা মীওইশিংনা খঙবীরবদি হোস্পিটালদা পুদুনা ডাক্তরনা অঙাওবা লায়েংনরিবসি চাদা ৫০গী চাংদি ইমুং মনুংনা লায়েংবা ঙম্ফম থোকই। রামানুজাননা অঙ্কদা ঙাওরিবদু মাবু পোকপীরিবা মমা-মপানা অঙ্কগী ৱাখল্লোন খরদবু পক্লন্নবদি য়াম্না নুংশিরমগনি। মচাগী চে লৈবীবা ঙমদবগী মরমনা নুমিৎ খুদিংগী মৈ ওল্লবা মপা ইয়েংগরগী মমিৎ ঈঙা নোংজুগুম ঈচেল নাইরম্বসু য়াই।

মমা কম্মলাতমলাগী মৈচাক অমা লৈরি। মখোয়না খ্বাইদগী থাজবা অমা ওইরিবা ইরোদ খুঙ্গংবু নাউকোল্লিবীনি খল্লিবা নাম্মগীরি লাইরেম্বীনা চানবীদবা মতৌ অমা মাগী মরাইবক্তা থেংনরি। মচা নিঙোল অমা পীবীবসু চহী ফাদনা লৌশিনবীখি। মচা পিবা কয়াসু য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদা মপূ মানা লৌশিনবীখি। কাইনথংদা নীংশিংনরিবদি কুমজা ১৮৮৮দা পোকখিবা লক্সমি নরসিমহা অমদি য়াম্না থেংনা



কুমজা ১৯০৫দা পোকখিবা থিরুনরায়নন অনী অসিদি মপাগী পাউতাক ইনবা ওইবনা মপাগা লোয়নখিবগী ৱারী থেংনৈ। রামানুজান অসি ইরোদতা পোক্লবা মতুং চহী অমা ফারকপদা কুমবকোনামদা পুরকখিবনি। মরমদি ইরোদ হায়রিবা খুঙ্গং অসি মদ্রাজ (হৌজিক্কী চেন্নাই) দগী কিলোমিটর ৪০০ রোম লাপ্পী। কুমবকোনামদি মদ্রাজদগী কিলোমিটর ১৬০ তমক থাপ্পদা লৈবনি। মচা কয়ানা মপূন্সি তেনখিবসি অনা লায়েংগী খুদোংচাদবা অসিননি খনখি অমদি হিংবদা ৱাবনা কুমবকোনামদা হোংলকখিবনি।

রামানুজাননা খ্বাইদগী লাইবক ফবনি খনখিবা মিৎকুপ্তি লৈকায় অদুদগী মঙোন্দগী খরা হনবা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অনীনা নোংমা মাবু থিরকখিবা অদুনি। নুপা অনী অদু য়ুনিভর্সিটি লোইরগদবা মহৈরোয়শিংনি। মখোয়না অঙ্কবু অরৌবা সবজেক্ট ওইনা তল্লকপনি। অদুবু য়ুনিভর্সিটি লোইরমদাই য়ৌরকপদদি খঙদবা অঙ্ক, সোল্ব তৌবা ঙমদবা প্রোব্লেম ময়াম অমা থেংনখি। মসি য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং অদুফাও সোল্ব তৌবা ঙমদবনি। মখোয়না য়ুনিভর্সিটি লোইরবা মতুংদদি মখোয় অঙ্কগী ওজা শোয়দনা ওইগদৌরি। অদুবু মখোয়না সোল্ব তৌবা ঙমদবা অঙ্ক ময়াম অসিগী খল্লুবদা মখোয়গী পোৎলূম ওইরম্মী। মীনা ঙাঙনবদগী তাবা অদুবু থাজবদি ওইফাত্তবা রামানুজানগী ৱারী নীংশিংনরক্তুনা মরুপ অনীদো নোংমা রামানুজানগী য়ূমদা লাকখি। মখোয়দা খ্বাইদগী লুবনি খন্না পুরকখিবা অঙ্ক খরা রামানুজাননা ইরায় লায়না সোল্ব তৌখি। মরুপ অনীদো ঙকপদা থেংখি। মখোয়না সোল্ব তৌবা ঙমদবা অঙ্ক লিশীং অমগী লাইরিকশিং হোৎপীয়ু হায়না মরাং কায়বা চে পীখি। মসি রামানুজানগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা মিৎকুপনি। মরমদি রামানুজানগী মফমদদি সনা-লুপাদগী অঙ্ক হোৎনবা চেনা মমল য়াম্মী।

মপা ইয়েংগরনা নাথৈরল্লবা রামানুজানগীদমক অপোকপী মমানা মঙল-মঙল খনখি। মাগী মচাসে নুপী থিজিনবীরবদি নুপীদুগী ৱাখলদা অঙ্ক হোৎনীংবগী অপাম্বা খরতসু হন্থহনগনি খন্দুনা টামিল নাদুগী কারুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রাজেন্দ্রম কৌবা য়াম্না শোংখবা খুঙ্গংদুদগী রামানুজাননা চহী ১২ রোম হনবা জানকি অমল কৌবী নুপী অমা হায়না শিংনরে। লুহোংলসি হায়বা য়ানরে। কিলোমিটর ১৩২ রোম লাপ্পবা মফমদুদা লুহোংবা চৎখি। নুপা ময়ূমদগী নুপী ময়ূম য়ৌবদা পুং ৩ (অহুমলোম ত্রেনদা) চৎলবা মতুংদা ষণগাড়ীনা অশাংবা মফম অমা মুক চৎপা তাখি। অদুক থাপ্পা মফমদুদগী অদুক অঙাং ওইরিবী নুপী অমা মমানা হায়ন-শিংনবা অদুনসু ময়েক শেংনা উবা ঙম্মী রামনুজানবু লৈকায়, খুঙ্গংগী মীয়াম্না অঙাওবনি হায়নখি। মাবু ইমুং অমত্তনা পান্থীরোই।

রামানুজানগী অপোকপা মপা য়াওদনা চৎখিবা লুহোংবগী খোঙচৎ অদো খুদোংথীবতনা পীক থনখি। নোং কন্না তাবনা ষণ গাড়ীগী খোঙচৎ অদু খুদোংথীহনবনা য়াম্না থেংবা অহিংদা নুপী ময়ূমদা থুংখি। মসিনা জানকি অমলগী অপোকপা কাক্কৎ কৃষ্ণনবু অঙকপা ফংনা শাওহনখি। লমদমদুগী চৎনবীদা ইমুং অমদা মচা নিঙোল য়াম্লবদি অনী পূন্না হোংবীবদা কায়দবা মরম্না নুমিৎতু জানকি অমুল অসি মচে লীলাগী লুহোংবদা য়াওহৌগদবনি। রামানুজাননা থেংলফাওবা য়ৌরক্তবদা মচেগী লুহোংবা অদো পাঙথোক্লগা জানকিগী লুহোংবদি তোক্লনি হায়না ৱারেপ লৌখি। অদুবু থেংনা য়ৌরক্লবা রামানুজানগী মমানা জানকিগী মপাদা হায়জ-নোঞ্জবা তৌদুনা শাংলবা লম্বীদা থেংনখিবা খুদোং চাদবশিং মরীক চুম্না লীদুনা তাহনখি। লৈকায়দুগী অহল-লমন্নসু জানকিগী মপাগী অশাউবা ফাথবীরগা অথেংবা অহিংদা লুহোংবদো পাঙথোকখি।

রামানুজান অমদি জানকিগী লুহোংবদু ফত্তবা খুদমনা পীক থনখি। লুহোংবগী ইশোন তিনশোনবা হৌগৎলকপদা কদোমদগীনো খঙহৌদনা অঙাওবা অমনা শোন্নপুং ময়ায়দা শমদুনা চৎখি। ময়াম্না তান্নদুনা ফূ চৈবসু থোকখি। শোন্নপুংগী মখোঙ মরিমক ইখঙ খঙহৌদনা মৈনা চাকখি। খুদোংথীবনা লোয়ন-ইন্নবীরবা মখোয় অনীগী লুহোংবদুমদি জুলাই থা (নোংজু থা) ১৯০৯দা রামানুজানগী মমা কম্মলাতমলাগী শরৈনা ঙমদুনা হোংখি। মরমদি রামানুজানগী মমাগা জানকিগী মমাগা মরুপ ওইনা তিন্নবনি। জানকিগীনা চহী ৯নি। রামানুজানবু মমানা লুহোংবীবদগী মাগী অঙ্ককী ঈথিল অদো ময়েং তাহনবা ঙমখিব্রা? (...মখা চগুজখিনি) ●

---

# শক উদনা লান্দারকপা, মতৌ করম্না প্লাষ্টিকশিংনা মীওইবগী হকচাংদা লৈফম থিরকপগে

**- নোংথোম্বম অশোক, রিসর্ছ স্কোলর -**
**ডা. সিভকুমার বিজয়ারাঘভালু, এসোসিএট প্রোফেসর**

ঙসিগী চাওখৎলক্লিবা মতমসিদা য়াম্না শাথীবা তমথীবা মীওইবা ঐখোয়গী শক উদবা য়েক্লবা অমনা মীওইবগী হকশেল (হেল্থ) অমদি অকোয়বগী ফীভম (ইনভাইরোনমেন্ট) তা মাঙ তাকহনলক্কদৌরি। মসিগী শকউদবা ঐখোয়গী য়েক্লবা অসি প্লাষ্টিক পোল্যুশন (প্লাষ্টিকনা অকোয়বগী ফীভম্বু মোৎহনলকপা) অসিবুনি, মসিনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা শন্দোকপা ঙম্মী, লুরবা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদগী হৌরগা ঐখোয়না হোল্লিবা নুংশিৎতা ফাওবা শন্দোকপা ঙল্লি।

প্লাষ্টিকশিংগী পোথোকশিং মীওইবনা য়াম্না পাম্না শীজিন্নবা ইরায় লায়না ফংবা, মমল হোঙবা, শীজিন্নবদা খুদোং চানবা হীরম ময়াম অসিদগী মীওইবনা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই, অদুবু ঙসিদি প্লাষ্টিকনা মীয়ামদা অচৌবা অকিবা ফংলবা য়েক্লবা অমা ওইরক্লি। মখোয়না তপ্না-তপ্না কাইথরক্লবা মতুংদা য়াম্না কুপ্না মীৎনা উবা ঙমদবা অপীকপা প্লাষ্টিককী শরুকশিং ওইরকই (মাইক্রো প্লাষ্টিক, এম এম ৫দগী পীকথবা অমদি নানো প্লাষ্টিক, মাইক্রোন ১ মীৎনা উবা ঙমদবা) অমদি ওইরক্তুনা মীওইবা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা য়াম্না চাউবা অকায়বা অমাঙবা কয়া পীরক্লি। হায়রিবা অকুপ্পা অপিকপা প্লাষ্টিক পার্টিকলশিং অসি কোসমেটিককী প্রদক্সনশিং মরু ওইনা ফেসিএল স্ক্রবস, টুথপেষ্টতগী হৌরগা অচৌ অচৌবা প্লাষ্টিক আইটেমশিং অমদি হেক লৈরিবা প্লাষ্টিক আইটেমশিংদগীসু ওইরক্লি। বৈজ্ঞানিকশিংনা অনৌবা টেক্নোলোজিগী মতেং লৌদুনা থিজিনবদা হায়রিবা অপীকপা প্লাষ্টিক পার্টিকলশিং অসি মীওইবগী উনশা ফাওবা ঙল্লবা (cellular barriers), হকচাংগী টিস্যুশিংদা পূনশিনখিবা ঙম্বা খুদম খরা হায়রবদা নাওফম (placenta), থবোন্বী (lungs), কলেজার (liver) মসিদগী হেন্দোক্তুনা মমাগী খোল্লাংদা ফাওবা য়াওবা ঙল্লকই।

মীওইবগী হকচাংদা প্লাষ্টিকনা চঙলকপগী মওংসি তোঙান তোঙানবা মওং কয়াদা চঙলকই অমদি মসি খুদোং য়াম্না থিনীংঙাই ওইরকই। থিজিনবা অমদগী ইটালি অমদি ইন্দিয়াগী সমুদ্রগী থুমহি চেনবা ঈশিংদা অপীকপা প্লাষ্টিক মকুপশিং য়াওরম্বা থেংনরকখি। মসিনা তাকপদি ঐখোয়না চাকখুমদা এঞ্জাং থোংবদা হাপ্নরিবা থুমদা হায়রিবা প্লাষ্টিক পার্টিকলশিং য়াওরে হায়বদা হায়মনবা ওইদ্রে।

মসিগীসু মথক্তা চানরিবা সমুদ্রগী চীঞ্জাকশিংদা অমদি অতৈ অতোপ্পা জীবশিংদসু মরু ওইনা ঙাদা হায়রিবা প্লাষ্টিক মকুপশিং অসি য়াওশিল্লকই। থাজনীংঙাই ওইদবা মওংদা মাইক্রোপ্লাষ্টিক পোল্ল্যুশন অসিনা সমুদ্রগী শা-ঙা মাঙহনদা নত্তনা ঐখোয়গী চাকখুমগী চানবা চীঞ্জাক্তসু য়াওশিল্লকই। অমরোমদসু, মীৎনা উবা ঙমদবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং অসিনা চানবা চীঞ্জাক্তা য়াওশিল্লকপা অসিনসু লোইদ্রি, মরু ওইনা ঐখোয়না নুংতিগী থক্নরিবা ঈশিং প্লাষ্টিক বোট্টলশিংদসু ঐখোয়গী হকচাংদা প্লাষ্টিক চঙলক্নবগী মরম অমসু ওইরি। থিজিনলোই Drs. Wei Min and Beizhan Yam, Columbia University মখোয় অনীনা য়াম্না কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা লিটর অমা চনবা ঈশিং বোট্টল অমদা ২৪০,০০০ (লাখ অনীগা লিশীং নিফু) গী মীৎনা উবা ঙমদবা অপীকপা মাইক্রোপ্লাষ্টিক য়াওরম্বা থেংনরক্লি। মরু ওইনা polyamide অমদি polyethylene terepthalate (PET), ঈশিং শেংদোকপদা শীজিন্নবা প্লাষ্টিক মখলশিং অসিসু য়াওরমখি। মীওইবা ঐখোয়না শ্বর হোল্লিবা নুংশিৎ অসি ফাওবা থাজদনীংঙাই অমদি কিনীংঙাই ফাওবগী মতম ওইশিল্লক্লি। মাইক্রোপ্লাষ্টিক অসি নুংশিৎতসু য়াওরম্বা থেংনরে, মী চিল্লবা মফম সহর (সিটি) কয়াদগী হৌরগা মী তাদবা নেপালগী অৱাংবা চীংগী মফমদফাও ফংলি। নুংশিৎতা য়াওবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং শ্বর হোনজিনবদা য়াওশিল্লকই, মসিনা হকচাং মনুংদা প্লাষ্টিককী চাং কা হেন্না য়াওহল্লকপদা অচৌবা মরম অমা ওইরক্লি, মসিনা অমুক্কসু হেন্না প্লষ্টিক্লা লান্দারকপসি খুদোং থীনীংঙাই হেনগৎহল্লক্লি।

মরু ওইনা অকে অমৌগী ইন্দষ্ট্রি কয়াদগীসু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং মরু ওইনা মাইক্রোবিদ কয়ামরুম য়াওরি। মাইক্রোবিদ অসি ঐখোয়না নোংমগী শীজিন্নরিবা পর্সনেল ক্যের প্রদক্টশিংদসু য়াওরি। লৈবাক খরা য়ু এস এ, সাউথ কোরিয়া, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা য়ারিবা মখৈ মাইক্রোবিদকী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবা হৌখ্রে। অমরোমদা হায়রিবা মাইক্রোবিদশিং অসিনা মীওইবগী উনশাফাওদুনা চাশিনখিবা অমদি শ্বর হোনজিনখিবদা য়াওখিদুনা হকচাং মনুংদা অকায়বা কয়া পীরক্লি, মরম অসি লৈবনা কঞ্জুমরশিংনা হেন্না শাফগদবা অতোপ্পা লম্বী থিবা য়াম্নমক মথৌ তারক্লি।

নুংতিগী ঐখোয়না প্লাষ্টিককী প্রদক্টশিং হেন্দোক্লা শীজিন্নবদা ঐখোয়না খঙহৌদনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংবু ঐখোয়গী অকোয়বদা লেপ্পা লৈতনা থাদোরক্লি। মরম অসিদগী মাইক্রোপ্লাষ্টিক অমদি মীওইবা অনীগী মরক্তা থেংনগদৌরিবা লাঙ্থেংসি হেন্নসু লুশিনহল্লক্লি।

মসিমদি তশেংনা চুল্লে, মাইক্রোপ্লাষ্টিক্স অমদি মোনোপ্লাষ্টিক হায়রিবা অকুপ্পা মীৎনা উবা ঙমদবা প্লাষ্টিক মকুপশিং ঙসিনা ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা চঙবা ঙম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা মীওইবা কয়াদা থম্মোয় (হার্ট) লায়না নারক্লবগী অচৌবা মরম ওইহল্লক্লি অমদি ইম্যুন সিষ্টম শোন্থহন্দুনা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়া অমা নাহল্লক্লবগী মরম ওইরক্লি। কুইদ্রিবা থিজিনবা অমদা খঙবা ঙমখি মদুদি মীওই অমগী ঈগী শিংলিদা (arteries bolld vessels) মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়ৌরবদি শরুক মঙা হেন্না (five times more) য়াওদবা মীওই অমদগী হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক নৎত্রগা শিবা ফাওবা ওইথোকপা লৈরি। মসিগী য়াম্না তূমিন্না লান্দারক্লিবা মীওইবা খুন্নাইবু মালেমদগী মূথৎপা ফাওবা ঙমগদৌরিবা প্লাষ্টিক অসিনা মীওইবা ঐখোয়দা চেকশিন্না অমদি থবক কয়া মরুম পায়খৎতুনা লাঙ্থেং অসিদগী ঙাকথোকহৌনবা খঙহল্লি মসি ঐখোয়না খঙনা চৎপা মথৌ তারক্লি।

মীওইবা অমা ওইনা ঐখোয়সু করি পোৎ শীজিন্নরি, করিদা ঈশিং থক্লি, করম্বা পুখমদা চাক চারি মুন্না খন্থবগী মতম অদু য়ৌরক্লে। মীপূম খুদিংমক প্লাষ্টিকনা পীরক্লিবা চৈথেং অসি খঙবগী মতম ওইরে, মসিনা পীরক্লিবা চৈথেং অৱাবা অসিদগী খরা মখৈদি হন্দোকহনবা ঙমগদৌরি।

অমরোমদা অমুকসু, মীওইবা হাবা কাঙলূপসি অয়াম্বা মতমদা মশাগীদা ওইজবা থিবা, খুদোং চাগদবা, শাফগদবা, লাইথোক্কদবা, কোমগদবা থবক থৌরমশিং থিরগতা লৈবা, মসিনা অকোয়বগী ফীভম শোকহল্লক্তুনা মীওইবা ঐখোয়দা অমুক হেন্না অৱাবা তেকচাক হানজিল্লক্কনি হায়বসি হেক হেক কাউথোকপগুম তৌরি।

হৌজিক্তি মতম অদু ওইরে, মীয়াম হুপ্না মীপূম তিংনা খূৎশম্নদুনা ঐখোয়গী তুংগী মীরোলশিংবু কল্লম্নবগীদমক অমদি থৱায় পানবা খুদিংমক লৈহনবা য়ানবগীদমক, য়ারিবমখৈ প্লাষ্টিক শীজিন্নবা হন্থবা অমদি প্লাষ্টিককী অকিবা ফংলবা অমাঙবা কয়াগী মরমদা খঙবা মথৌ তারি। লোইশিল্লকপদা কৈথেলদা, দুকান্দা পোৎ চৈ, মনা-মশিং লৈবদা ইশা ইশাগী য়ূমদগী বাইওদিগ্রেদেবল বেগ অমমম পুদুনা চৎলসি। ঙসিগী অমদি হয়েংগী ওইবা ফজরবা মালেম অমা ওইহল্লসি। ●

---

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।